# কাবুল পাসপোর্ট ওফিস হান্নগুম মথৌ তৌরগনি লাউথোকখ্রবা মতুং মীওই চা কয়া থোমজিন্নরকখ্রে

কাবুল, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী) :

অফঘানিস্তানদা টালিবানগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মতম শাংনা থিংজিন্দুনা লাকখ্রবা লৈবাক অদুগী পাসপোর্ট ওফিস হান্নগুম মথৌ তৌবা হৌরগনি হায়না টালিবাননা লাউথোকখ্রবা মতুং অফঘান চা কয়া ঙসি পাসপোর্ট ওফিসতা থোমজিন্নরকখ্রে।

পাসপোর্ট শানবগীদমক মশা মশাগী দোক্যুমেন্টশিং পায়রগা লাকখিবা মীওই চা কয়া অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ওফিসকী ষ্টাফশিং খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা টালিবানশিংনা ওফিস অদুদা চে চাং থাজিনবা লাকখিবা মীওই খরদা ফু চৈবগী থবকসু চথুখি। অমদি খুদক্তা পাসপোর্ট ওফিস থোঙ লোনশিনখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা টালিবান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, অফঘান মীয়ামদা পাসপোর্টপীবগী থবক থাংজ নুমিত্তগী হৌরগনি। মীয়ামসু চরাংনবা থোকহন্দনা য়াম্না পরিং চুম্না দোক্যুমেন্টশিং থাজিল্লক্কদবনি। মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগীদমক মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলি। মীয়াম্নসু গভর্নমেন্টকী ওইবা চৎন-কাংলোনশিংগী মতুংইন্না থবক তৌগদবনি হায়রি।



অমরোমদা ঙসি পার্সপোর্ট ওফিসতা দোক্যুমেন্টপীশিনবা লাকখিবা মাহির রাসুলি কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা, ওফিস অদু য়ৌরকপা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। ওফিস অদুগী সিষ্টেমশিং মপুং ফানা মথৌ তৌদ্রি। ওফিস অদুদা লৈরল্লিবা ওফিসরশিংনসু দোক্যুমেন্ট থাজিনবা লাকখিবা মীওইশিংনা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম অমত্তা পীবা ঙমখিদে। অফঘান কয়া হৌজিক ককঙাউনদুনা তৌফম খঙদবা মওংদা লৈরি। পাসপোর্ট ওফিস অসি হান্নগুম মথৌ তৌবা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হান্নগুম মপুং ফানা মথৌ তৌহন্নবা হোৎনবদা থা খরদি চংখিবা য়াই হায়না খল্লি। মসি অফঘানশিংগী ওইনদি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্নরিঙৈ মরক অসিদা টালিবাননা লৈবাক অদুবু খুদুম চনখিবদগী অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন তঙ্খায় অমরোমদি হৌখিবা থা খরা অসিদা ময়ুম মকৈ লৈতবা মীওইশিং হায়বদু ওইহনখ্রে। মখা তানা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা তেংবাং পীদ্রবদি অৱাফমদা তাবা মীগী মশিং হান্নদগী মশিং য়াম্না হেনগৎলবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকপসু লৈখ্রে।

লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনখিবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শুফম নোম্ফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি। গভর্নমেন্ট ওফিসতা ইমপ্লোয়ি ওইনা লৈরম্বশিংগী মনুংদসু থবক্তগী তোক্ন খিবা য়াওরে। টালিবানগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইকনমিগী মতাংদা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি। মালেমগী লৈবাকশিংদা টালিবাননা হিরম অসিগী মতাংদা তেংবাং পীনবা হায়জখ্রবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি তেংবাং অমত্তা পীরকপা লৈত্রি হায়রি।

অমরোমদা থাংজ নুমিত্তগী পাসপোর্টপীবা হৌগনি হায়না টালিবান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কদায় ফাওবা চুল্লবগে হায়বা খঙদোক্নবগীদমক টালিবানগা পাউ ফাওননবা হোৎনবদা ঙমখিদ্রে। মখোয়গী মায়কৈদগী হিরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপসু লেত্রি।

# মীওই কয়া থক্নবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরবা য়ানা লৈ: য়ু এন

জেনেভা, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী) :

লাক্লিবা কুমজা ২০৫০ ফাওবদা মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই বিলিয়ন ৫ হেন্না থক্নবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরবা য়ানা লৈ হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।



ৱার্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এম ও) না ফোঙদোকখিবদা, ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা ঈশিংগা মরী লৈনবা পামদবা থৌদোকশিং মরুওইনা ঈকং অমদি ঈচাওশিং থোকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা থক্নবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবশিং চহী খরগী মমাংদগী মালেমগী মফম খরদা মীয়াম্না মায়োক্নবা হৌখ্রবনি। মীয়াম্না থেংনরিবা অফবা থক্নবা ঈশিংগী প্রোব্লেম অসি কোহনবা ঙম্বা সোলুসন অমত্তা হৌজিক্কী ওইনদি পুথোকপা ঙমদ্রি।

লৈবাক খরদা টেক্নোলোজিগী মতেংনা সমুদ্রগী থুমহি চেনবা ঈশিংদগী থক্নবা অচম্বা ঈশিং ওন্থোক্তুনা শীজিন্নরি। হায়রিবা টেক্নোলোজি অসি লৈবাক খুদিংমক্তা লৈবা নত্তে। অমরোমদা ঈশিং ঈচাও নৎত্রগা অচৌবা সুনামী অমা লাকপা মতমদা হায়রিবা টেক্নোলোজিগী ওইবা পোৎলমশিং অদু অদুম্মক মাঙখিগনি। মরম অদুনা খ্বাইদগী মথৌ তারিবদি ফ্রেস ৱাটর লেকশিং অসি প্রিজর্ব তৌদুনা থম্বনি। অদুবু অঙৈং অশাগী খল কায়থরল্লিবা মখৈ হায়রিবশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া অদুম্মক মায়োক্নগনি।

হৌজিক ওইরল্লিবা ফিভম অসিদা মালেমগী মীয়াম্না অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নদ্রবদি চহী খরগী মতুংদা থক্নবা ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহল্লবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

হৌখিবা চহী ২০ লোম অসিদা উনশিং শৌদোকপগী চাং হেনগৎলকপদা নত্তনা লৈবাক্তা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাংসু হন্থরক্লি। অন্টার্টিকা অমসুং গ্রিনলেন্দদা লৈরিবা শৌদোকপা ঙল্লরোই হায়না থাজনরব্বা উন মপৈশিং শৌদোরক্লিবা অসি ৱার্ল্ড পৱারশিংনা তরায়না লৌরোইদবনি। পেরিস সম্মিটতা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## অঙাংশিংদা চথুবা ক্রাইম থিংবা ঙমদবসি ইকাইনিঙাইনি: পোপ ফ্রান্সিস

ভেটিকান সিটি, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী) :

ফ্রান্সতা লৈরিবা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা সেক্সুএলগী ওইবা হরাসমেন্ট কয়া চথুরিবা অসি থিংনবা হোৎনবদা চর্চশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি হায়না মমিং লৈরবা পোপ ফ্রান্সিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চর্চশিংনা থিংবা ঙমদবা অসি ইকায়নিঙাইনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পোপ ফ্রান্সিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চর্চ হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না শেংলবা মফম অমনি। মফম অসিদা চঙজরকপা খুদিংমকপু ঙাক শেনবা হায়বসি চর্চ ওথোরিটিশিংগী তৌদবা য়াদ্রবা মথৌনি। মসিদা নত্তনা চহী নৌরিবা নুপী অঙাংশিংদা চথুবা ক্রাইমশিং থিংনবা হোৎনবদা চর্চনা মাঙ থাদুনা হোৎনফম থোকই। অদুবু লাইবক থিবদি অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী মায়োক্তা লৈগদবা চর্চ ওথোরিটিশিংগী মরক্তা মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা চর্চতা চংজফম লৌবা লাকপা নুপী অঙাংশিংগী মথক্তা ক্রাইম চথুরকপা অসিনি। মসি মালেমদা লৈরিবা চর্চ খুদিংমক্কী ইকায়নিঙাইনি।

অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না চর্চতা থাজবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লি। ফ্রান্সতা লৈরিবা চর্চ ওথোরিটিনা অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোকহন্দনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি। মসিদা নত্তনা ওৎপী নৈবীখ্রবা মীওইশিংগী হকচাংগী ফিভম অমদি মখোয়গী ৱাখলগী ওইবা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরাংশিং য়াৎকদবনি। মীয়াম্না চর্চতা থল্লিবা থাজবা মাঙহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি ওথোরিটিশিংগী মথৌনি হায়রি।

অমরোমদা অৱাফমদা তাহৌরবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা পোপ ফ্রান্সিস মশানা লাল্লে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মতুং তারকপদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না মহাক্কী চায়োলগী ওইবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখি।

## য়ু এস অমসুং চাইনাগী লুচিংবশিং উন্নদুনা ৱারী শাগদৌরি

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী) :


য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী নেসনেল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট য়াং জিচিগা স্বিটজরলেন্দদা উন্নদুনা ৱারী শাগনি হায়না পেন্টাগোনগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অনী অসি উনবগী থৌরমদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকনসু শরুক য়ারবা য়ানা লৈ। লৈবাক অনীগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা অকনবা মওংদা উংখৎনরিঙৈ মরক অসিদা ৱারী শান্ননবা ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি। বাইদেনগী নেসনেল সিক্যুরিটি এদভাইজর জেক সুলিভাননা চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট য়াংগা উন্নবা অদুদা মরুওইনা টাইৱানগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। পনবা য়াবদি টাইৱানবু চাইননা মখোয়গী টেরিটোরিনি হায়না মতম কয়াগী মমাংদগী ক্লেইম তৌদুনা লাকখিবনি।

# পাকিস্টান অমসুং ইরানগী লুচিংবশিং উন্নদুনা অফঘানিস্টান ঙমখৈগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী) :

পাকিস্টান অমসুং অফঘানিস্টান লৈবাক অনীগী তাইনবা শরুক্তা মমাং চায়োলদা অফঘানিস্টানগী মায়কৈদগী লালহৌবশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবা খুৎলায় পায়বা খুৎপু অমনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা পাকিস্টানি লান্মী অমা হাৎখ্রবা মতুং পাকিস্টান অমসুং ইরাননা অফঘানিস্টান ঙমখৈগী মতাংদা উন্নদুনা ৱারী শাবা হৌখ্রে।



পাকিস্টানগী কোনুং ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দেলিগেসন টিম অদুদা ইরানগী ওইনা লৈবাক অদুগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর অলি বাঘেরি কানিনা লুচিংখি। অদুগা পাকিস্টানগী মায়কৈদগীনা ফোরেন মিনিষ্টর সোহেল মেহমুদনা লুচিংবা টিমনা শরুক য়াখি।

উন্নখিবা অদুদা নাকল অনীমক্না মরুওইনা হৌজিক হৌজিক অফঘানিস্টানগী ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নখি। লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফিভম ফত্তবা অসিনা মরম ওইরগা টালিবান নত্তবা অতোপ্পা খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপশিংনা খুদোংচাবা লৌদুনা হান্নগুম লালহৌবশিংগী ষ্টেকহোল্ড ওইহল্লক্তনবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি।

মালেমগী লৈবাকশিংনা অফঘানিস্টানদা নৌনা পৱার পায়রকখ্রবা টালিবানগী থবক থৌওংশিংদা অপেনবা পোক্ত্রবসু লৈবাক অদুদা লৈরিবা অৱাবা তারবা মীওইশিংগী খল্লগা তেংবাং পীফম থোকই। ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী মতেং য়াওদনা অফঘানিস্টানদা মীয়াম্না পাম্বা লৈঙাক অমা পুরক্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নগনি হায়না নাকল অনীমক্কী লুচিংবশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

## তঙায়ফদ্রবদি য়ু এস দিপ্লোমেটিক ফেসিলিটি থিংজিল্লকপা য়াই

মোস্কো, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী) :

য়ু এস কোংগ্রেসমেন খরনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা রসিয়ান দিপ্লোমেট ৩০০ এক্সপেল তৌনবা পুখৎলকখিবা ৱাফম অদু থবক ওইনা পাঙথোরল্লবদি তঙায়ফদনা রসিয়ানসু লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস দিপ্লোমেটিক ফেসিলিটিশিং থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

রসিয়াদা ৱাশিংটনগী মহুৎ শিন্দুনা লৈরিবা অমেরিকান দিপ্লোমেটশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবা অমদি অহেনবা ভিসা পীয়ু হায়বা রসিয়ানা য়াদ্রবদি য়ু এসতা লৈরিবা রসিয়ান দিপ্লোমেটশিং এক্সপেল তৌনবা য়ু এস দেমোক্রেটিক অমসুং রিপব্লিপান সিনেটরশিংনা প্রসিদেন্ট জো বাইদেনদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা তকশিনখিবনি।

অমরোমদা হিরম অসিগা মরী লৈননা রসিয়া ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসতা রসিয়াগী দিপ্লোমেট ৩০০ ফানা লৈতে। সিনেটরশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু অরানবনি। প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুম ওইনমক ৱাখল খন্থদনা য়ু এসনা দিপ্লোমেটশিং এক্সপেল তৌরক্লবদি রসিয়ানসু য়ু এস দিপ্লোমেটিক ফেসিলিটিশিং থিংজিনগনি হায়রি।

# মোস্কোগা অফবা মরী থমদুনা ইরানগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি: মিনিষ্টর

টেহরান, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী) :

ইরাননা রসিয়াগা লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ৱারী শাননবা শেম শাবা লোইখ্রে। মোস্কোগা অফবা মরী থমদুনা ইরানগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎনবা হোৎনরগনি হায়না ইরানগী দিফেন্স মিনিষ্টর হোসেন অমিরাবদোলেহাননা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অতেনবা মতমগী মনুংদা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গে লাভরোভকা ৱারী শারগনি। হান্নদগী হৌনা লৈবাক অনীগী মরী অফবা মওংদা লাক্লি। মখা তানা হেন্না ফবা মরী থম্নবগীদমক ইরানগী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম রাইসিগী মীৎয়েং মখাদা ৱারী শানবা ফরেপ অসি লৌরকখিবনি। মপাঙ্গল কনবা খুৎলায়শিং পুথোকপা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা রসিয়াসু অমনি। মরম অদুনা ইরানগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা রসিয়াগা হেন্না ফবা মরী থম্বা মথৌ তাই।

ইরাননা রসিয়া অমদি চাইনাগা অফবা মরী থমদুনসু মখোয়গী মখাদা ইরাননা লৈগদবা নত্তে। লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক ৱার্ল্ড পৱারশিং অসিগা অফবা মরী থম্বনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্বা হায়বসি অফবা খোঙথাং অমনি। মসিনা তংদু লৈতাবা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়রি।

মহাক্না থাক মান্নবা রসিয়াগী লাভরোভকা উন্নবা মতমদা টেররিজমগী মতাংদ খন্ন নৈনগনি। লালহৌবা লৈতবা মালেম অমা ওইহন্নবা ইরাননা হান্নদগী হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু ৱার্ল্ড পৱারশিংগা চৎমিন্নদুনা টেররিজম ওইবা থৌওংশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াগনি হায়না হোসেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এসনা মখোয়গী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোক্নবসু খঙহল্লক্লি।

# পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক রোবোটশিংনা পেট্রোল্লিং হৌখ্রে



সিঙ্গাপোর, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী) :

সিঙ্গাপোরদা পামদবা থৌদোকশিং অমদি লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিং থোকহন্দনবগী পান দমদা অহানবা ট্রাইএল ওইনা কেমেরা ৭ পানবা রোবোটশিং পেট্রোলিং হৌহনখ্রে হায়রি।

নৌনা দিবলপ তৌখ্রবা কাঙখোং মরী পানবা রোবোট অসিনা মীনা চংবদা কিনবা মফমশিং মরুওইনা বোম লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা চঙদুনা থবক তৌহন্নবগী পান্দমসু থল্লি। অহানবগী ওইনা চাংয়েং পাঙথোকপা হৌখ্রবা রোবোট মখল অসিনা মফম চাদনা গাড়ী পার্ক তৌবা, মী য়াম্না তিনবা মফমদা চুরুট থকপা অমদি কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোলশিং ঙাক্তবা মীওইশিং দিটেক্ট তৌবা ঙম্মী।

ঙরাং চাংয়েং ওইনা থাদোকখিবা রোবোট অসিনা চৎখিবা পেট্রোল অমদা মী কাংবু খরা পুনশিন্দুনা ছত্রং শান্নরম্বা মফম অমদা লেপ্তুনা লৈখি। অমদি রোবোট অদুদা প্রোগ্রাম তৌখিবা অদুগী মতুংইন্না মিটর অমগী দিষ্টেন্স লৈহন্নবা অমসুং মী মঙাদগী হেন্না পুন্দনবা খঙহনখি। মমাং থাদগী চথরকখিবা চাংয়েং অসি মায় পাক্নে হায়বা য়ারে। লৈবাক অদুদা লৈবা হাউসিং ইষ্টেট অমদি শোপিং মোলদা রোবোট অনী দিপ্লোয় তৌদুনা মথৌ তৌহনখ্রে।

রোবোটনা মথৌ তৌরিবা মোল অদু ফাওদুনা চৎখিবা মশাগী চহী ৩৪ রোম শুরবা রিছার্স এসিষ্টেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, হোলিৱুদ ফিল্মদা মীয়াম্না উনখ্রবা রোবোটশিং খক্তগী ওইবা মালেম অমা অমদি মতম শাংনা মীয়াম্না পাম্নখিবা রোবোকোপ ফিল্ম নিংশিংহল্লি।

অমরোমদা লৈবাক অদুদা রোবোটশিংনা প্রেট্রোল চৎহনবগী থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্বা মখলগী থৌওংশিং অসিনা মী অমগী পর্সনেল লাইফতা চাওনা অকায়বা পী। মরম অদুনা রোবোট দিপ্লোয় তৌবগী থবক অসি খুদক্তগী লেপকদবনি। লৈবাক অদুগী মীয়ামগী প্রাইভেসিদা লৈঙাক্না খুৎ থিজিল্লোয়দবনি হায়না ফোঙদোক্নরক্লি।


BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

ꯀꯨꯝꯗꯤꯟꯅꯕ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯕ / CONDOLENCE MEETING

Imphal, the 6th October, 2021



No.G/17/2/2008/ **S. Krisnakumar Singh**, Under Secretary of the Board of Secondary Education, Manipur expired on 04-10-2021. A Condolence meeting was held on 06-10-2021 in the meeting hall of the Board. All the employees of the Board expressed deep shock at his sudden demise and shared the grief and sorrow of the family. The employees of the Board observed two minutes silence in honour of the late **S. Krisnakumar Singh** and prayed for eternal peace for the departed soul.

Sd/- **Dr. S. Mangijao Singh**
Secretary

HL-P/0277/7



ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7197/2/10-31/10



NEFSA EDUCATION CONSULTANCY(NEC)
Since 2005, 20 Years of Trusted Service
Realising Your Dreams

BDS
AYUSH
ENGINEERING
NURSING
PHARMACY
MANAGEMENT
AGRICULTURE
LAW, PARA MEDICAL & GENERAL COURSES ETC.

MBBS
INDIA & ABROAD
INDIA
BANGLADESH,
KYRGYZSTAN
KAZAKHSTAN ETC.

FMGE/NEXT EXAM will be applicable for both INDIA & ABROAD MBBS students from 2023

FOR DETAILS CONTACT
REGD. OFFICE:
ABOVE HDFC ATM, HATTA MINUTHONG I/E MANIPUR
PH:+91-7005102097 / +91-9856154334

CORPORATE OFFICE:
THOUBAL OFFICE: Near Axis Bank +91-8414043799
LILONG OFFICE: Opp. Al-Hayat Hotel +91-8800560814
BABUPARA OFFICE: BOSEM Leirak +91-7005139464
www.nefsa.in

HL-P/0014/13 Sept. to 11 Oct.



ꯀꯨꯊꯤ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / KUTHI YENGJARI



Chahigi dasa-langfam, Mapokki thabak inkhang, Paknaba lalon-etik, Sel-thum, Mangba-tongba, Yum-Ingkhol, Lou-Dukan, Yumbal lambi, Nupi-Angang, Macha yaodaba, Angangi mahei-mashin, Awangba parikhya, Lairikta thawai yaodaba, Haina-tanaba indaba, Mayai Kaba Chinjakta laichuba, Paknaba Luckystone, Afaba gari number, Vote leppa, Hakchangi aruba anaba ashinachingba Kuthidagi kupthana yengjari. Hanna Phone dagi ayaba loubiraga yumda ayuk pung 7 tagi 12 manung phone toubirakpa/lakpiba yagani. Ayaba Customer Prediction Number (CPN) coupon yaodana lakpa yengjaroi. Tuesday yengjade. Whatsapp mobile : 9077188456.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/0067/17/9-16/10



ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / অশোক কুমারবু থাগৎচরি



ঐগী চহী অমা ফারবা অনাবা CERVICAL SPONDYLITIS ৱানা খাঙলুরবা অৱাবা পোৎলুম কয়াবু K. ASHOK KUMAR না মহাক্কী Clinic 'ASHOK KUMAR HEALTH CARE, PALACE COMPOUND, I/E # 6009827912, 8119920680 দা শুপ্নতগী নুমীৎ ১০নি লায়েংবিরগা ফহনবীবা অসিগীদমক থাগৎপা, হরাওবা ফোঙদোকচরি। অনাবা অসিনা মরম ওইরগা খুৎ-য়েৎ থংবা চিকপা, শজিং তোয়না-তোয়না হৌবা, শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, খ্বাঙসু খরা-খরা নুংঙইতবা অমসুং নাকোং ঙংবা অসিনচিংবনি। ঐনা মাগী মফমদা লমন চাউনা তোনশিঞ্জরে। মীয়ামগী সেবা কুইনা-শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

Sd/- **Wahengbam Samson**
Thangapat Mapal Palace Compound,
Imphal East

HL-P/0268/7



IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 321/SDC/SLG/IE-2021**

Parties :
(1) Ningombam Sanamacha Singh S/o (L) Mani Singh of Pangei Yangdong (0.5 Middle)
(2) Ningombam Ibotomba Singh S/o (L) Mani Singh of Pangei Yangdong (.045 West)
(3) Ningombam Bijen Singh S/o (L) Mani Singh of Pangei Yangdong (.05625 East)
(4) Ningombam Sarat Singh S/o (L) Mani Singh of Pangei Yangdong (.05 Middle)
(5) Ningombam Somorjit Singh S/o (L) Mani Singh of Pangei Yangdong (.045 Middle)
(6) Ningombam Nobin Singh S/o (L) Mani Singh of Pangei Yangdong (.06 Middle)
...... Petitioners

-Vs-

Late Pattada :
Ningombam Mani Singh S/o (L) Ningthou Singh of Pangei Yangdong

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Sagolmang, the 5-10-2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং 11-Khundrakpam পাট্টা নং 89 (অরিবা) 1253 (অনৌবা) দাগ নং 2205 মোট এরিয়া .30625 একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0275/7